থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পূনবা ঙমদ্রবা ওপ্পোজিসন’দা মোদিগী ভুত




ঙরাং ঐ নুমীৎচুপ্পদুমা করিমত্তা চখোক্তে। অনাবা অমগী খল্লুডৈ ৱাখল নুংঙাইতবগা, হকচাংনা খিরুম তৌবগা- তেলিভিজন মমাঙদা নেসনল নিউজ চেন্নেলশিংদা লেপ্পা লৈতনা কোভরেজ পীরিবা লোক সভা মীখলগী ভোৎ-মশীং থীবগী রিপোর্ট অদু য়েংদুনা মতম লেনখি। মরক্তা ঙাইহাক ঙাইহাক্তি তূমখিবরা? কুইরবনি অসুম্না তেলিভিজন মমাঙদা ফমখিদবা! তানিংনা তাবা, য়েংনিংনা য়েংবা হায়বসিদি মতম হৌখিবা খঙহৌদে। থাজখিদে ঐ অদুক কুইনা ফমদুনা/হীপ্তুনা তি ভি মমাঙদা লৈবা ঙমগনি হায়বা। নহানমখৈদি পূংখায় অমা ফম্বদা ঙাইঙমখিদবনি।

তেলিভিজন চেন্নেলশিংদু হেক হাংলুবদা ওইরম্বা ফীভমদু উবদবুদি খনখি তারিখ ১৯ গী নুমিদাংদগী নিউজ এজেন্সি ময়াম্না পাঙথোকপা একজিত পোলগী ফিগরশিংদু চুমদৌরিমাল্লে। ওপোজিসনগী লুচিংবশিংনা ইকায় খাঙবদই কঙ-কোৎখিবা, কনফিদেন্স ৱাংলবা ৱাঙাঙশিংদু নীংশিংলুরগা, মীৎমাঙদা উরিবা ‘রিজল্ট-ট্রেন্দ’ ময়ামদুদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কদরা খন্দুনা লাংতক্লনা অসুম য়েংখি। য়ু পি এ, মহাগদবর্ধন অমদি অতোপ্পা ওপ্পোজিসন ময়ামগী ফিবম ফগৎলকপই মহুৎতা হেন্না-হেন্না শোকচিল্লকপা... এন দি এগী পোজিসন’না হান্নদই হেন্না ফগৎলক্কদবগী মওং অমা উরকপদু- ঐহাক তশেংনা থাজখিদে। ইলেক্সন নকশিল্লকপগা নেসনল নিউজ পেপরশিং অমদি অতৈ সেতেল্লাইত নিউজ চেন্নেলশিংদগী (সোসল মিদিয়া য়াওনা) ফংখিবা/পাখিবা পাউশিংদু নীংশিংলুরগা ইরন্নাই ওইবা ‘মত’ (ওপিনিয়ন) অমদি শাগৎতুনা লাকখিবনি... ‘এন দি এনা লুচিংবা কোঅলিসন গভর্ণমেন্ট অমবুদি শোয়দনা শেল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরবসু, কোংগ্রেস অমদি অতৈ ওপ্পোজিসন পার্টিশিংগী মপাঙ্গলসু হান্নদগী ফনা ফজনা কনখৎলে, থাজবা অদু মমি শাল্লকপগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে’...।

অদুবু, মতম্না অসুম হৌজিনবগা, অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী পাউ অনৌবা লাকপগা, বি জে পি অমসুং এন দি এগী পোজিসন, হেন্না-হেন্না মখোঙ চেৎশিল্লকখি। ২০১৪গী ‘মোদি-ঈথক-ঈপোম’ অদুদই হেনবা ঈপোম অমা হৌরক্লল্লেদনা- খল্লকখি। কোংগ্রেস পার্টিগী ‘লায়রবা লৌমী শিন্মীশিংগী থম্মোয় খোনবা মেনিফেষ্টো’ করিমত্তা কান্নরমদ্রে। পাউচেশিংগী রিপোর্টরশিংনা পীখিবা পাউশিং অদু লানবরা? নৎত্রগা, ইলেক্সন নকশিন নকশিল্লক্লগা মোদি-অমিট জুরাগী মীত্রঙ অমনা মখোয়গী ৱাখল হোংহনখিবরা? অমদি শোয়দনা ওইরনি।

করম্বা পার্টিনা সিট কয়া ফংলবা? মোদিগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট কৈদৌঙৈ অমুক শেমদৌরিবা? অদুগুম্বা পাউদুদি পাউচে খূদিংমক্কী অহানবা লামায়দা শোয়দনা পাবীরগদবনি। কাখলসিদা অমুক হনজিঞ্জররোই। তমজরিবা পাউসিদি ঐগী থম্মোয় পাউদমনি, ইলেক্সনগী পাউ নত্তে।

মোদিগী অনীশুবা টর্ম অমা লাকপসিদা বি জে পি’গী থৌমীশিংনা লৈপাক শীনবা থুংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লি। সেলেব্রেত তৌরি। মণিপুরদসু অমহানি। হান্নগী মতৌগুম গভর্ণমেন্ট পায়বা পার্টিদুগী মীরেপ্লা এম পি ইলেক্সন মায় পাকপা, মণিপুর ভোট্টরগী মচৎ’তু হন্দকসু ঊৎথোরক্লিবসিনি। মণিপুরগী পোলিটিকল সিনারিও’দা লাকপা য়াই খন্নরম্বা অহোংবদু হৌজিক্তি লাক্লরোই, থাজবীয়ু। হেন্না মরা চেৎশিনখ্রবা ‘মোদি-লৈঙাক’না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল’ পার্লিয়ামেন্ট’তা পুথোক্তুনা এক্ট ওনখ্রবা মতুংদা, শোয়দনা হৌরক্কনি পানরিবা ‘মীয়ামগী ঈহৌ’ অদুনা মণিপুরগী পোলিটিক্স’তা অওনবা/অহোংবা অমা পুরক্কনি’কা হায়বা ৱাখলদুদি খল্লুদবনা ফগনি। মরমদি, সী এ বিল অসিনা দাইরেক চৈথেং ফংহনগদৌরিবা ‘আসাম’দসু বি জে পি লৈঙাক হেন্না মখোঙ চেৎশিনখ্রবনি, মীখলসিগী মতুংদা।

ঙসিগী পাউদম অসিদা মীখলসিগী-ফল লৌখৎচরুবা- ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা তুংলমচৎকী চহী খরসিদা ওইরকপা য়াবা মওং অদুগী খল্লুবদনি। হৌজিক্তি ফজনা ময়েক শেংলে- ‘ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস’, হান্নগুম মীয়াম্না থাজবা পোলিটিকল পার্টি অমা ওইরকপা-অরায়বা থবক নত্তরে। রাহুল গান্ধী- কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মশামক্লা, য়ু পিগী ‘অমেথি’ সিট কনবা ঙমদবা হায়বসিদা- ‘মীয়াম্না কোংগ্রেস পার্টিদা পীরিবা পাউজেল অসি করিনো’ মীয়াম্বু হায়হনবই মহুৎতা পার্টি-ৱর্কর-মখোয় মশানা খন্থজবা ফবনি। য়ু পিগুম্বা ষ্টেট অমদা কোংগ্রেসকী খোঙ্গুল মুৎখিবা-’সিদই হেনবা, মখোয়বু মীকপ থোকহন্নবা করম্বা অতোপ্পা ৱার্নিং অমা ঙাইরিবনো? প্রিয়াঙ্কা গান্ধী থাংদোক্তুনা তৌবা হন্দক্কী চাংয়েং অদুদা মখোয়’না শোয়খিবসি অতৈ নত্তে, রোবর্ত ভদ্র’বুসু থাংদোক্লুবা অদুনি। মহাক মায়থীরবা য়াই হায়বই অকিবা কোংগ্রেসমেনশিংদি হান্না ফাওরম্বা তাই। অদুননি, চেকশিন থৌরাং ওইনা কেরালাগী ‘ৱয়ান্দ’ কন্সটিটুয়েন্সিদসু লেপখিবা।

হন্দক্কী মীখল অসিনা পারা তন্বীরিবসি কোংগ্রেসকী রাহুল গান্ধী মথন্তদা নত্তে, অখিলেস য়াদব-মায়াবতি-মমতা বেনর্জী-চন্দ্রবাবু নাইদু... মখোয় ময়ামগী অপূনবা খূৎপু অদুদসুনি। মশা-মশামক্কী, মতীক মপা চাদনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনীংবগী মীহৌ-চাউবা-অপান্বদু থাদোকপা ঙমদবদুনা রাহুল গান্ধী (কোংগ্রেস) য়াওনা অপূনবই লিংজেল অমা ঊৎথোকপা ঙমখিদবনি। এন দি এ’দা য়াওরিবা পার্টিশিংদু হুন্দোক্লল্লগা লেমহৌরিবা পার্টি পূন্নমক অমত্তা ওইনা পূল্লগা ‘প্রাইম মিনিষ্টেরিঅল কেন্দিদেট’ অমা পুথোক্লগা ইলেক্সন থেংনরম্মু- মোদি থক-থক নীক্লমগনি। হৌজিক্তি, ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ঊৎলে- নখোয় পূল্লপ পূল্লপ পূল্লসু ‘মোদি’ মথন্তগা লম্বা য়াদ্রি। ৱার্নিং অসি য়ুনাইটেদ (ওইবা ঙমদ্রবা) ওপ্পোজিসনসিদা ভুত ওইনা ফনা কুইনা তম্নখিগনি। পাক তূম্বা য়াররোই।

লৌশিং পুক্কে

# পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং শিবা

অঙাং অমা পোকপদা ঙায়রিঙৈদগী হৌনা থা ৬ ফাওবদি মমা-মপাগা কা অমদা পুন্না তূমিন্নবা মথৌ তাই। অদুবু ফমুং অমত্তদা পুন্না তূমিন্নরোই-দবনি হায়না অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী অনৌবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস) অমসুং তূল্লিঙৈদা নিংশা শ্বর ফুল্লগা শিবগুম্বা থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক থৌওং অসি লৌখৎকদবনি হায়রি।

অঙাং অমা তূল্লিঙৈদা নিংশা শ্বর ফুনবদগী নৎত্রগা মরম অমদগী হেক্তা শিরম্বা য়াই। থৌওং অসিবু স্লিপ রিলেটেদ ইনফেন্ট দেথ নৎত্রগা সদন অনএক্সপেটেদ ইনফেন্ট দেথ হায়না খঙনৈ।

হৌজিক ফাওবদা এস আই দি এস ওইহল্লকপদগী চপ চাবা মরম চাদা ১০০ খঙবা ঙমদ্রি। অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী টাস্ক ফোর্স ওন এস আই দি এসকী মেম্বর ডা. লোরি ফিল্ডমেননা হায়খি, অঙাংগী ব্রেন মপুং ফানা শেমগৎলক্ত্রিবা মরম্না মথন্তা তূল্লিঙৈদা চাং নাইনা নিংশা শ্বর হোনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই।



সেন ফ্রান্সিস্কোদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী নেসনল কনফরেন্সতা পুথোরকখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মমা-মপাগা পুন্না কা অমত্তদা তূমিন্নরবদি সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোমগী রিস্ক চাদা ৫০ রোম হন্থরকই। মণিপুরী খুন্নাইগা মান্নদবা মওংদা নোংচুপ লৈবাকশিংদদি পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং ওইরবসু অঙাংগা মমা-মপাগা পুন্না তূমিন্নবগী চৎনবী লৈতে। মদুনা মরম ওইরগা এস আই দি এসকী চাং ৱাংই। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্ট মতুংইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী অঙাং তরুক এস আই দি এসনা মরম ওইরগা শিরি। চহী ১ শুদ্রিবা অঙাংনা তূল্লিঙৈদা মথন্তা শিদুনা লৈরম্বগী থৌওংবু এস আই দি এস হায়না খঙনৈ। অয়াম্বা মতমদা অঙাং অমনা থা ১ শুরকপদগী হৌরগা থা ৬ ফাওবগী মনুংদা খুদোংচাদবা অসি হেক হেক মায়োক্লে। মরম অদুনা অঙাং খুদিংমক চহী ১ মপুং ফাদ্রিবা ফাওবা মমা-মপাগা পুন্না কা অমত্তদা পুন্না তূমিন্নহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না ডা. লোরি ফিল্ডমেন ৱিন্টরনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবদগী সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোমগী চাং হন্থরকখি। অদুবু মতম খরা লৈরগা তপ্পা তপ্পা অমুক চাং ৱাংখৎলকখি।

‘বেবি ৪১১’ সিরিজগী লাইরিক মথং মথং ইখিবা ওষ্টিনগী পেদিয়াট্রিসিয়ন ডা. এরি ব্রাওননা হায়খি, অঙাংশিংবু মমা-মপাগা লোয়ননা কা অমত্তদা পুন্না তূমিন্নহল্লবসু ফমুং অমদা পুন্না তূমিন্নরোইদবনি। অঙাংশিংবু তোখায়না তূমহনবগী তঙাইফদবা লৈ। অহলনা তূম্না-হীপ্নরিবা মোম্পাক অমদি মোন্নচিংবা পুম্নমক অঙাংগীদমক য়েংলগা শেল্লকপা নৎতে। মরম অদুনা অঙাংগীদমক অখন্ননা শেল্লকপা মোম্পাক থাবীরগা তূমহনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী ডা. রচেন মুননা হায়খি, য়ারিবমখৈ অঙাংশিংবু লোংনা হীপহনবগা লোয়ননা মোম্পাক ফিদক অমদি মোন্নচিংবা অমত্তা শীজিন্নহল্লোইদবনি। মোন, মোনখুম, মোম্পাক ফিদক অমদি ফৈজুপনচিংবনা ননশিনবদগী অঙাং অদু শ্বর ফুনখিবা য়াবা মরম্না হায়রিবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরোইদবনি। লোয়ন-লোয়ননা য়ারিবমখৈ অঙাংশিংদা মমাগী খোল্লাং পীথকপীগদবনি। মমাগী খোল্লাং পীথকপনা সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোমগী রিস্ক চাদা ৭০ হন্থহনবা ঙম্মী হায়রি।

অঙাংনা ঙাইহাক লৈতনা কপ্পকপদগী নৌনা অঙাং উনবদা ঙায়রিবা নুপীশিং মপুং ফানা তূম্বা ফংদবা হৌনশানি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এদেলেদতা লৈবা ফ্লাইন্দরস য়ুনিভর্সিটিদা সাইকোলোজিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইবা মাইকেল গ্রেদিসারনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি, অঙাংনা কপ্পকপা খুদিংগী চঙশিল্লগা থেল্লুদ্রবসু মথন্তা কপ্পা কপ্পা তূমহনখিবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। অঙাংনা কপ্পকপা মতমদা চঙশিল্লগা পমখৎলুদ্রবসু মথন্তা কপ্পা কপ্পা তূমথজখিনবা হোৎনগদবনি। অঙাংনা কপ্পকপা খুদিংগী চঙশিল্লগা পমখৎপা তারবদি মতুং তারকপদা অঙাং অদু পমদ্রিমখৈ তূমদবগী হৈনবী লৈরকপা য়াই।

ৱাশিংটনগী চিলদ্রেন’স নেসনল হেল্ঠ সিষ্টেমদা পেদিয়াট্রিক সাইকোলোজিষ্ট অমসুং স্লিপ স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা দানিয়ল ল্যুৱিননা হায়খি, অহানবদদি অঙাংনা কপ্পকপদা চঙশিল্লগা কপ্পা থেমহৌদবগীদমক মমা-মপা ওইবশিংগী ৱাখলদা নুংঙাইতবা ফাওরকপা য়াই। অদুবু মতম খরগী মতুংদা অঙাং অদু কপ্পন্বদগী মথন্তা তূমথজখিবগী হৈনবী অমা লৈরক্কনি। কনামত্তগী মতেং য়াওদনা অঙাংশিংবু মথন্তা তূমথজখিবগী হৈনবী লৈহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না অঙাংশিংবু য়ারিবমখৈ লোংনা হীপহনগদবনি, অঙাংগী মনাক্তা মোন নৎত্রগা ফৈজুপ অমত্তা থল্লোইদবনি, অথোৎপা শান্নপোৎকুম্বা থম্বদি কায়দে, অঙাংবু ফি য়োমশিল্লগা কা হেন্না হুমাং শৌহল্লোইদবনি, মমা-মপাগা পুন্না কা অমত্তদা তূমিন্নরবসু ফমুং অমদা পুন্না তূমিন্নরোইদবনি, অঙাংগী মনাক্তা মৈখু শীজিন্নরোইদবনি, মশা ঙম্বা-ঙমদবা থিদনা ডোক্তরগী মনাক্তা চাং নাইনা পুরগা চেক তৌগদবনি অমসুং থবক খুদিংমক মথন্তা তৌজবা ঙম্নবগী লম্বী য়াৎপীগদবনি।

মমি ৱারী

# জুকো ভেল্লি

## পাওনম বিরজীৎ







